ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯟ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯷꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ১০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৭৫শুবা মশীং

## ৱার ওন দ্রগস
## শীংনবা য়াওরি মমু য়ৈথেকউ

মমাঙগী মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৮গী জুন থাদগী হৌদোরকখিবা ‘ৱার ওন দ্রগস’ কী কেম্পেয়ন অসি এক্সিদেন্ট নত্তে। শোয়বদগী হৌদোরকখিবা নত্তে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌফম থোকই হায়বা খক্তনা তৌরকখিবসু নত্তে। থবক লৈতবগী থবকসু নত্তে। বোর্দর ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরগী ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংনা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরকপা, মণিপুরনা দ্রগশিং অসিগী ‘ত্রাঞ্জিট পোইন্ট’ অমা ওইরকপগী মথক্তা পোপি পাম্বীশিং পাক্তক্লনা থাবা মফম অমা ওইরকপা অমসুং মসিদগী হেন্দোরক্তুনা দ্রগ মেন্যুফেকচরিংগী থবকশিং ফাওবা চত্থনরকপদগী তঙাইফদনা হৌদোরকখিবনি। ঙসিগী মীরোল অমসুং তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদবশিং ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী ঈপাক্তগী কলহৌনবগীদমক তঙাই ফরক্তবদগী হৌদোক্তুনা চত্থরক্লিবনি। হৌজিক লৈরিবা অনৌবা লৈঙাক্লসু মখা শমথরকপগা লোয়ননা হেন্না কন্না চঙশিল্লকপনি। মসিদগী উখ্রুল, কামজোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, নোনে, তমেংলোং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলগী মীয়াম, ভিলেজ চীফ/চেয়রমেন, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মখোয় মখোয়গী এরিয়াদা পোপি পাম্বীশিং থাহল্লরোই হায়বগী ৱারেপশিং লৌখ্রে। রেল্লি ফাওবা চৎপা য়াওখ্রে। মখোয়না লৌখিবা ৱারেপশিং চীফ মিনিষ্টরদা লাক্তুনা হকথেংননা পীশিল্লরে। চীংগী মীয়াম্না হৌ-হৌ তৌনরকপদগী মখা তানা চঙশিল্লক্লিবা কেম্পেয়ন অসি মায় পাকপরোমদা চঙশিল্লক্লে। ফংনীংলিবা পান্দম খূৎনা লাম্বা ফংলকপগী ফীভমদা লৈরক্লে। ওইরক্লিবা দিভেলপমেন্টশিং অসিগী মথক্তা মৈতৈ পাঙল ফুরুপকী ইমামশিং অমসুং মসজিদশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা মখোয়সু ৱার ওন দ্রগসকী কেম্পেয়ন মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়দুনা অচেৎপা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরে। পূম্নমক প্লস পোইন্ট ঙাক্তনি। কেম্পেয়নসিবু মায় পাক্লবগী মচাকশিং নোংম-নোংমগী শুজিল্লক্তুনা মপূং ফাহল্লকপনি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাগৎপদা পুলিস য়াওদ্রবা ফাওবদা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে হায়না ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মীয়াম হুপ্না শৌগৎনরকপদগী চীফ মিনিষ্টরনা হরাওদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাহৈনি।

অদুবু চৈরকসিদা মমাঙ থা (মে) গী অরোইবা চয়োলদা পোপি পাম্বীশিং থাবা য়াররোই, অথিংবা থম্লে হায়দুনা লাউথোকখিবনি হায়বা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইকুল সব-দিভিজনগী ‘ঙাইফাই ভিলেজ’ গী চীফপু জুন ৬কী নুমিদাং অথেংবদা ময়ূমদা লাক্তুনা তূম্লম্বদগী হৌদোক্তুনা পুথোকখ্রগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখ্রে। লৈখিদ্রবগী লোয়নবীনা অশোয়বা-অরানবা য়াওরম্লবসু চুমথোক্লবগী তাঞ্জা পীবিরম্মু হায়বা ফাওবা তারমদনা হাৎতোক্লম্লে। থোরক্লিবা থৌদোকসিদি চুম্নখক্কী মীওই খরনা ভিলেজ চীফ অমবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা থৌদোক খক নত্তে। ইচম-চম্বা অমসুং ইরায় লায়বা থৌদোক নত্তে। নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী মরুমদা অচৌবা মরমশিং লৈরি। মসিদি লৈঙাক্লা চঙশিল্লক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়নবু মায় পাকহন্দনবা, মায়থীহন্নবা শীংনদুনা চত্থরকপা থৌওংনি। থৌদোকসি তয়াং-তয়াংনা লৌবা চুম্লোই। ভিলেজ চীফসিদা থারক্লিবা খূৎ অসিনা অরোইবা ওইরক্তবসু য়াই। কেম্পেয়নসি শৌগৎতুনা পোপি পাম্বী থাবদা অথিংবা পীবা, প্লান্টেসনসিগী মায়োক্তা লৈরকপশিংদসু টার্গেট তৌরকপা য়ারি। অদুবু চঙশিল্লক্লিবা কেম্পেয়নসিদি লৈবাক মীয়ামগীদমক ওইবনা খোঙফম হন্দোক্তুনা চেৎনা লেপখিবগী মথৌ তারি। লানসিদা মায়োক্লরকপশিং ঈচং থৌনা মায়রোং য়াবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিমকসু লান অসিবু মাঙজিল থানা লুচিংলক্লিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা শোয়দনা তৌরক্কনি থাজে। পোপি পাম্বী থাবশিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা থবকসিবু থিংলকপা মীওইশিংদা মখা তানা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা থবক পায়খৎলু। লৈরিবা লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী মেন পৱারশিং লোয়ননা শীজিন্নৌ। মথৌ তাবা খূৎলায় অমত্তা ৱাৎহনগনু। চীংমী-তম্মীগী মীয়াম পূম্বনা হুপ্না শৌগৎতুনা লেপ্পরক্লবা মতমসিদা কনাবু কিখিগদোইনো? মায়োক্তা লৈরকপশিংগী মমু য়ৈথেকউ।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৩**

১) **‘‘খুন্নুং ঈশৈ নাচোম’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিন্দুনা ফোঙলকপনো?

২) **‘‘নার্গাজুনগী শৈরেংশিং’’** হায়বা লাইরিক অসি করি লোলদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) **‘‘ঐ করিসু তৌদে’’** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **‘‘মঙলান খরা শক্তম খরা’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং লাইরিক অসিগী অইবনা কনানো?

৫) **‘‘শজিগী লৈবাক্তা’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সোসল মীদিয়াদা থৱায় য়াওমনবা চুমদে

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

সোসল মীদিয়াদা এগজাম থাগদবগুম্না য়াম্না কন্না পাকথদুনা হোৎনবা মীওই কয়ামরুম ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসিদা য়াম্না তোয়না থেংনরে। অদুগুম্বা সোসল মীদিয়াদা ঙাওবা মীওইশিংদুগী মরক্তা মতম খরা হেন্না কোম্না ফংবা নহাশিংনা অয়াম্বনি হায়বসিসু খঙনরে। সোসল মীদিয়া হায়বসি হেন্দোক-হেঞ্জিন খরদং লৈখিবদা মীৱা য়াম্না লায়না তাবা য়াবা অদুগা করিগুম্বদসু হেন্না খুদোংথীবা থৌদোকশিং লায়না থোকহনবা য়াবা, য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওইবা মীদিয়া মখল অমনি হায়বসি লানগনি থাজদে। শেনয়েক অমগী মথক মখাগী মমায় অনীদা মান্নদবা মায়থোঙ অনীনা তোঙান-তোঙান লৈবগুম সোসল মীদিয়া হায়বসিসু অফবা মখৈগী অমা অমসুং ফত্তবা মখৈগী অমা, তোঙান-তোঙানবা মায়থোঙ অনী পানবা মীদিয়া মখল অমনি। ৱাফমসি ইরমদমসিগী মীওই কয়ামরুম্না থাজবা ইঙম-ঙম্নদবগুম তৌরি। সোসল মীদিয়াদা কা হেনবা থৌদৌশিং অমদি ৱাহৈ-ৱাতাশিং শীজিন্নরুবগী কান্নবসি করিনো? থৌদৌসি তোয়না চত্থরবদি ইমানা পোকপদগী য়ৌরুদ্রিবা মফম কয়ামরুম হঞ্জিন-হঞ্জিন য়াম্না তোয়না য়ৌরকখিনি। সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোক্লরিবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অমদি থৌদোক-ৱাথোকশিংসিগী মরমদা ফোঙদোক্লুরিবা মীশকশিংদুনা কয়াম চুম্লম্বা নৎত্রগা লাল্লম্বা হায়বদুদি আইনগা মরী লৈননা অচুম-অরানশিং ৱায়েন্নবগীদমক লিংখৎখিবা লোয়শঙশিংনা লেপ্পমগনি। মীয়াম্না তানরিবসিদি শুপ্নগী নোর্মেল মীদিয়াদা য়াওনরকপা ঈ-পাউশিংদু খক্তনি। মতাংসিদা হায়নীংলিবসি, ঈরোয়বা হৈতবা মীশক অমনা অরূ-অথেন খঙদনা পাক্লবা ঈপাক অমদা খন্থরুবা তৌদনা হেক্তা চোংথরুবা হায়বসি করিগুম্বদা ঈপাক্তুনা লেপ তাবা ফংদনা লুবা ঈপাক অমা ওইরম্লবদি শোয়দনমক্কী ঈরাক্লদনীংঙাইগী মরম লৈরোই হায়বা ৱাফমসিনি। ঈরাক্লবা হায়বসি মতম পূম্নমক্তা অফবা থৌদৌ অমদি খক ওইদে। ৱাফমসি ইরমদমসিগী ঙসিগী সোসল মীদিয়াবু তকোম-তকোম্না শীজিন্নবীরিবা য়ুজরশিংগী মফমদা খঙহঞ্জনীংই।

হায়সু হায়বনি হায়ববু ইরমদমসিগী সোসল মীদিয়া য়ুজরশিং অয়াম্বসি ঙসি ফাওবদা চেকশিনবগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাৎনা সোসল মীদিয়াবু তকোম-তকোম শীজিন্নবগী থৌদৌশিং তত্তনা উনরি। থৌদৌসিমক্তি লমদমসিগী ওইনা খন্নবদা, লাইবক য়াম্না থীবা থৌদৌ অমনি। সোসল মীদিয়াবু মীয়াম মাঙদা লান্না শীজিন্নরুবদগী অরেম্বদা থোক্লোইদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়ামরুম মথং-মথং থোকহন্দুনা লৈঙাক অমদি মীয়ামদা অসুক্কী মতিক প্রোব্লেম ওইহল্লি। হৌজিকসি মোবাইল ফোনগী য়ক লাউবা মতমনি। সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মসি নাইন্টি পর্সেন্টগী মথক্তা ঐখোয় পূম্নমক্লা অহিং-নুংথিল খায়দনা ইশা-ইশানা শাগোন্নদুনা শীজিন্নরিবা মোবাইল ফোনসিনা ওইরি। ইশাগী মোবাইল ফোনদা ইশা ইতোমতনা করিগুম্বা খরা শীজিন্নজবা হায়বসি কনামত্তনা খঙগদবা নত্তে। অদুগা, ইশা ইতোমতনা শীজিন্নরিবা থৌদৌদু ইশানবু পাল্লবদি সোসল মীদিয়াদা থাগৎখিবা হায়বসিসু মীৎকুপ ফাহৌবা লম নত্তে। অদুগা, থাগৎপা হায়বসিসু অরুবা থৌদৌ নত্তে। তৌইগুম্বসুং লুরক্কদৌরিবদি, ইশানা করিসু খন্থবা তৌহৌদনা অমসুং ইরায় লায়বনি খন্দুনা ইরায় লায়না থাগৎখিবা ফোটো, ভিদিও ক্লিপিং নৎত্রগা ৱাহৈ পরেং মতেক খরদুনা সোসাইটিসিদা করিগুম্বা মওং অমা নৎত্রগা অমদা অকায়বা নৎত্রগা অশোয়বা থৌদৌ অমখক ওইরকপা মতমদুদনি। মতমদুদদি, পুংদা কিলোমিটর লিশীংদগীসু হেন্না য়াঙনা শিৎনা নোংলৈ নুংশিৎতগীসু হেন্না অমুক্কা য়াঙনা, মিৎকুপ অমগী মনুংদা মালেম পূম্বসি শীন-থুংনা ইশাগী ভিদিও, ফোটোগ্রাফ নৎত্রগা ৱাহৈ পরেং মতেক খরদু ভাইরেল চৎখিগদৌরিবনি। হৌজিক্কী মতমসিদা মোবাইল ফোনগী লোকেসন থিবা অমসুং কনানা করম্বা মতমদা ৱাথোক্তু ইহান হান্না সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরকখিবনো হায়বনচিংবসি থিদোকপদা থোইদোক্লা লুবা থবক ওইনদ্রে। ফীভমসিদা, অসুম্না খুন্নাইদা অকায়বা ওইগদবা ভিদিও ক্লিপিং, ফোটোগ্রাফ নৎত্রগা শুপ্নগী ৱাহৈ পরেং খরখক থাগৎলুরিবা মীশক্তু পুলিস দিপার্টমেন্টকী ক্রাইম ব্রাঞ্চকী ওফিসলশিংনা ইরায় লায়না ফারনি। মসিগী মখাদি সোসল মীদিয়াদা ক্রাইম তৌরুবগীদমক ফাগৎলকপা মীওইশিং পুলিসনা কদাই-কদাইদা থম্নবগে হায়বদু মীয়াম্না হেন্না খঙনরম্লনি। সিবু অফবা থৌদৌরা? থৌদৌসিদা মায় পাক্তৌরিসিবু করম্বা মায় খূপাক্লো? হোয়, তঙাইফদনা খুন্নাইসিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা পেনমন্দবদগী পোলিটিসিয়নশিংনা, অমনা অমদা খরা হেন্না ঙাঙনা শক্লা তৌবদুদি পোলিটিসিয়নশিংগী ওইবা মচৎ অমগী মখাদনি। মদুনা মখোয়গী বিজিনেসনি, মীচম ঐখোয়না য়াওশিল্লুবা য়ারোই।

নোং ঙানবদগী নুমিদাং তূম্বা ফাওবদা ফেসবুক, ইন্সটাগ্রাম, য়ুট্যুব শেন্নদুনতা লৈরবদি ব্রেন ঙাওরকপা নৎত্রগা শেরান-তুরান তৌরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। থৌদৌসি খক্তদা ঙাওদুনা লৈরবদি অদুগুম্বা মীশক্তুনা মমৈদা ওইরক্কদৌরিবা ফীভমদু করিনো? খুন্নাইসিদা কান্নগদবা, মাগী মতৌ তমজনীংঙাই ওইবা মীশক অমা হায়বদু ওইরক্কদ্রা? ইশানা থাগৎপা পোষ্টতা নৎত্রবসু, মীনা থাগৎলকপা পোষ্টশিংদা কম্মেন্ট পীরুবা খক্তদসু সোসল মীদিয়াদা খংপ্রেক খংবগী দষাসি অদুমক চপ চানা তাবা য়াই। ৱাফমসি লৈরবনিনা ফেসবুক, ইন্সটাগ্রাম অমদি য়ুট্যুবনচিংবশিংদা ঐখোয়না তোয়না হৈনবী থম্বগী থবকসি চুম্লরোই। মহৈ-মশীন তম্লিবা মহৈরোয়শিংনদু মশা শোক্লিংঙাই ওইরকপদা নত্তনা মহৈ-মশীন তম্বগী লম্বীসিদসু নাচংলক্তবগী থৌদৌশিং হেল্লক্কনি। অহলশিংদা ওইরগসু অদু মঙাই সোসল মীদিয়াদা ঙাওবগী থৌদৌসিনা মশাগী মথৌ খুদিংমক্তা থৌওইরক্তবা তৌরকপা য়াই অমসুং থৌদৌসিনা মমৈথংদা খুন্নাইসিদগী তোঙান্না তারবা মীওই অমা ফাওবা ওইহল্লকপা য়াই। পূম্নমকসি য়েংলগা লমদমসিদা সোসল মীদিয়াবু ঐখোয়না তরায়-তরায়না লৌদুনা ইরন্নাইগী ওইবা ইথন্তগী গেমশিং শান্নবগুম, ঙাঙনীংবা ঙাঙদুনা, চৈনীংবা চৈদুনা শান্নবগী থৌদৌসি থাদোক্লসি অমসুং অতোপ্পশিংনা তৌবদসু অঙম্বা থাক্তা থিংনবা হোৎনমিন্নসি। সোসল মীদিয়াগী মরমদদি থৌদৌসিতনা ঐখোয় পূম্নমক্কী অচুম্বা খোঙথাং ওইরক্কনি। অমরোমদা, সোসল মীদিয়াগী থৌদৌসিদা খ্বাইদগী লুরিবা অমা হায়রগদি, লৈখল শুনা শাৎপা লৈকোল অমগী মতৌগুম, পীক্লবা ষ্টেট মচাসিদসু ফুরুপ-কাঙলূপ খেন্নবশিংনা চগুংননা খুন্দামিন্নরিবা লমদমনি হায়বসি ঐখোয়না কাউথোক্তুনা করিগুম্বদা অমনা অমগী মরমদা ইন্টরেষ্ট শোক্লবা য়াবা মওংদা ঙাঙন-শক্লবগী থবকসি চুমদবা থৌদৌ অমনি। লমদমসিগী পুৱারী নৈনবদা ফেসবুক, ইন্সটাগ্রাম, য়ুট্যুবনচিংবশিংদা হায়নীং-হায়নীংবা হায়নবা, ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা ঙাঙনবসিনা কৈদৌঙৈদা খক পুৱারীগী অচুম্বা মশক্তু পুথোকপা ঙম্লোই। থৌদৌসিনদি মতম লৈবা খিবিক্তা ৱাকায়দা তারগা তোক্কদৌরিবনি। মদুনা লমদমসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা, তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা মান্নদবা ৱাখল্লোনশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী মরূ হুনহল্লক্লোই হায়বসু ঙম্লোই। অনৈবনি-অরুবনি, চয়েৎনবগী থৌদৌশিংনা অতিয়া পক্লা ৱাংলবা মতমসিদা, অরুবা-অনৈবা চান্নবা খন্দোকপসু ঙম্লোইদবদা, ফেসবুক্তা, ইন্সটাগ্রামদা ৱারোইশিন পীবা ঙম্বগুম, মহৈ-মহৈ পংফোঙদা ফোঙদোক্লবগী থবকসি অরেম্বদা দষা তানরগা তোক্কনি। সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মবু, মীবু লান্না লমজিংনবা অমসুং লান্না উহন্নবগী পান্বৈশিংগুম শীজিন্নবা হৌনৱা? শীজিন্নগে খল্লিবা মীওইশিং মীয়াম্না ঙাকপীবা ঙম্লোই। সিনি সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নবগী মহয়শিং, অরানবশিং থিগৎলকপা মতমদনা, মশীং য়াম্লবা মীয়াম অমগী মিৎ লাখা-লাখানা য়েংশিল্লকপা। পূম্নমকসি য়েংলগা হৌজিক্তি লমদমসিদা সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নবগী থবকসি ঐখোয় পূম্নমক্লা মতম চূপ্পগী ওইনা থাদোক্লবগী ফিরেপশিং লৌনরসি। লৌমীন্নবগী মতমদুসু নহান্না হেনখ্রে।

সোসল মীদিয়া হায়বসি ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না পামজবা, শীজিন্নবদসু খ্বাইদগী হেন্না খূৎলোয়বা, ইরমদমসিগী মীয়াম ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা মীদিয়ানি। হায়রিবা মীদিয়াসিবু ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক ইরন্নাইগী খুদোংচানবগীদমক খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরোইদবনি। ইরন্নাইগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবদা করিগুম্বদা খোঙফম চাহৌদবা থোক্লবদি মানা ঐখোয়বু ইরায় লায়না লোক-অপ য়ৌহনবসু ঙমগনি, জেলদা নমশিনবসু ঙমগনি অমসুং শজিক তম্পাক, মোরেনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু তঙাইফদনা য়ৌহল্লকপা য়াই। করিগুম্বা তাঞ্জাদনা, শেরান-তুরান তৌরুবা কাঙবুশিং মীদিয়াদগী হৌরকপা মৈরিনা তাঙ্গোয় তানা ফাওবা চাকথেকখিবা য়াই। অদুগা তিন্নববু হৈরবদি ঐখোয়বু মানা ইকায়খুম্নহনবসু ঙমগনি। মানা ঐখোয়বু মিংচৎ পীবিবদগী হেন্দোক্তুনা অচৌবা ফম্নাইবশিং ফাওবসু ইরায় লায়না ওইহনবা ঙমগনি। মায়থোঙ য়াম্বা সোসল মীদিয়াগী শক্লোননি, সোসল মীদিয়াবু ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক তরায়-তরায়না লৌরোইদবনি। ●

# IguanaFix

**- আনন্দ লাইশ্রম -**




হন্দক চয়োলসিদা ঐখোয় ময়াম্না IguanaFix কৌবা কম্পেনি অমগী মরমদা খঙমিন্নসি।

IguanaFix কৌবা কম্পেনি অসি অর্জেন্টিনাদা হৌদোকখিবনি। Matias Recchia কৌবা মীশক অমনা মশাগী য়ূম শাবদা অৱাবা ময়াম থেংনবদগী হৌদোকখিবা কম্পেনিনি। মসিগী কম্পেনিসিনা থবক শুবা মী থিবদা য়াম্না লায়হল্লি। কম্পেনি অসিগী app/platform শীজিন্নরগা মীয়াম্না য়ূম শাবা, মৈ শেম্বা, পাইপ শেম্বা, উ শুবনচিংবা থবক কয়া অমা পাঙথোক্লবগীদমক মী নেকপা য়াই।

কম্পেনি অসি হৌদোক্ত্রিঙৈদা মসিগী মতাংসিদা মীয়াম্না অৱাবা কয়া থেংনরম্মী:

১) অর্জেন্টিনাদা থবক শুবা মী থিবা হান্না য়াম্না ৱারম্মী। থবক ফজনা শুবা ঙম্বা মী থিনবদা মতম য়াম্না চঙলম্মী।

২) থবক হৌদ্রিঙৈদা থবক শুবদা শেল কয়া চঙগনি অমসুং থবক কয়াম ফজনা শুগনি হায়বগী মতাংদা খঙবা ঙম্লমদে। থবক শুবদা মতম কয়াম চঙগনি হায়বদুসু হান্নদগী লেপ্পা ঙম্লমদে। মসিনা মরম ওইদুনা থবক শুবদা মতম হেন্না শাংথবদগী মীয়াম্না শেল হেন্না তিংনরম্মী।

৩) থবক ফজনা শুদবদা মীয়াম্না কমপ্লেন্ট তৌফম/নুংঙাইতবা ফোঙদোকফম লৈনরমদে। IguanaFix গী app/ platform শীজিন্নরগা মীয়াম্না থবক শুবা মী মতম য়াম্না চঙদনা থিবা ঙম্লম্মী। অদুদা নত্তনা অফবা থবক শুবা মী থিবসু লায়রম্মী। IguanaFix গী app/ platform দা থবক ফজনা শুবা মীদা rating/star পীবা য়াই। ষ্টার য়াম্না ৱাংবা তারবদি থবক শুবা ফজনা ঙম্মী হায়বদু হান্নদগী খঙবা ঙমহল্লি।

App/platform শীজিন্নবদগী থবক শুবগী মমল হান্নদগী খঙদোকপা ঙমহল্লি। মমল হান্নদগী লেপ্লবনিনা থবক হেন্না শাংথবদা শেল কয়া হেন্না তিংগনি হায়বদুসু খঙদোকপা ঙম্মী। থবক শুবদা লেপ্পা য়াওবা তারবদি মীয়াম্না app/platform শীজিন্নরগা কমপ্লেন্ট তৌবসু য়াহল্লি। হান্নদি থবক শুবা ময়াম্না লেপনীংবা মতমদা থবক লেপ্পগী অর্জেন্টিনাদা অৱাবা অমা থেংনরম্মী।

App/platform শীজিন্নবদগী মসিগী প্রোব্লেম অসি হন্থরম্মী। IguanaFix না থবক শুবা মীওইদসু কান্নবা কয়া ফংহল্লম্মী। IguanaFix লাক্ত্রিঙৈদদি থবক শুবা মীওই ময়াম্না মশাগী বিজিনেস রেজিষ্টর তৌনরমদে। মখোয়না শেল কয়া তাল্লি অমসুং টেক্স কয়া পী হায়বনচিংবা অমত্তা খঙবা ঙম্নরমদে। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না ইন্সুরেন্স লৌবা ঙম্লমদে। অদুদা নত্তনা বিজিনেস হেন্না চাওথোক্লবা বেঙ্কতগী লোনসু লৌবা ঙম্লমদে।

IguanaFix গা পুল্লগা থবক তৌমিন্নবদগীদি থবক শুবা মীওই ময়াম্না মখোয়গী বিজিনেস রেজিষ্টর তৌবা ঙম্মী। বিজিনেস রেজিষ্টর তৌবদগী মখোয়না লোন লৌবা ইন্সুরেন্স লৌবা লোইনা ঙম্লম্মী।

IguanaFix গা থবক তৌমিন্নবগী মতুংদা থবক শুবা মীওই কয়ানা মখোয়গী বিজিনেস হেন্না চাওথোকহনবা ঙম্মী। অদুদা নত্তনা মখোয়না কোর্পোরেট অচৌবগীদমক্তা থবক শুবগী কন্ট্রেক্টসু ফংবা ঙম্মী।

IguanaFix না হৌজিক ফাওবদা $25 million মুক শেল তানবা ঙমখ্রে। মখোয়গী app/platform দা থবক শুবা মীওই লিশীং নিফু (৪০,০০০) মুকসু য়াওখ্রে। অদুগা থবক মশীং মিলিয়ন ১ গ্নহেন্নসু পাঙথোকখ্রে।

অর্জেন্টিনাদা হৌদোকখিবা কম্পেনি অসি ঙসিদি মেক্সিকো, ব্রাজিল অমসুং উরুগ্বেদসু থবক হৌগৎখ্রে। ●